# মণিপুরদা রেদ ক্রোস সোসাইটি অনী থোক্লা লৈরব্রা : জাদু

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস):
মণিপুরদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অনী থোকপগী ফীভমদা লৈরিবা অসি সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা গভর্ণরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়বা ৱাফম ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী ভাইস চ্যেরমেন খুন্দোংবম জাদুনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ক্বাকৈথেলদা লৈবা ব্রাঞ্চ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

পাউ মীশিংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি এক্ট, ১৯২০গী মতুংইন্না রেদ ক্রোস সোসাইটিশিং অসি মতম-মতমগী চৎন-কাঙলোনশিং শেমদুনা সোসাইটি অসিনা তৌফম থোকপা থবক থৌরমশিং তৌদুনা লাক্লিবনি। অদুবু মণিপুরদদি লৈবাক অসিগী মফম অমত্তদা চৎনদবা মওংদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি অসি অনী থোক্লা লৈবগুম্না তৌরে। হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন ট্রষ্ট এক্টকী মখাদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ট্রষ্ট হায়বা অমসু লম্ফেলদা লৈরিবা এস দি ও ওফিসতা রেজিষ্টর তৌরম্বা থেংনরে হায়খি। থৌদোক অসি মহাক মশানা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্টকী মখাদা থিদোকপদগী খঙবা ঙম্লকখিবনি হায়রি। লোয়নননা নৌনা শেম্লক্লিবা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ট্রষ্ট অসি নেসনল সোসাইটিনা পীরক্কদবা এম্বুলেন্স অমগীদমক পান কার্দ মথৌ তাবদগী রেজিষ্ট্রেসন তৌরম্বনি হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়খি।

অসিগুম্বা ফীভম অসিনা ভলুন্টরি ৱর্কশিং তৌজরিবা রেদ ক্রোস সোসাইটিগী মীওইশিংবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবগী মরম অমা ওইহল্লগনি হায়খি। লোয়নননা থৌওং অসি মালেমগী মফম অমত্তদা চৎনদবা থৌওংনি। মরম অসিনা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী মকোকসু ওইরিবা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা গভর্ণরনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্লা গভর্ণরগী পূক্নিং চিংশিনখি।

# মীয়ামদা এনেমিয়াগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীগদবনি : মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৬ (ঐচ এন এস):
মণিপুরগী মীয়ামগী মরক্তা আইরন (এনেমিয়া) ৱাৎপগী মতাংদা এৱ্যেরনেস পীনবগী পান্দমদা ঙসি হেল্থ মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জননা 'এনেমিয়া ফ্রী মণিপুর' হায়বা থৌরম অমা হৌদোকখিবগা লোয়নননা লায়না অসিগী মতাংদা পোষ্টর কেম্পেইন-২০২৩সু হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি ভারত বিকাস পরিষদ, মণিপুরগী মখাদা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী কোলেজ ওফ নর্সিংগী হোলদা পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী থৌরমদা মিনিষ্টরনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা ফোঙদোকখিবদা নেসনল হেল্থ সর্ভেগী রিপোর্ট মতুংইন্না মীওইবশিংগী মনুংদা এনেমিয়া লায়নাগী খুদোংচাদবা মায়োক্ল হল্লকপগী চাং মীপাইনিংঙাই ওইবা মওংদা হেনগৎলক্লে। মরম অসিনা ঐখোয়না লায়না অসিগী মতাংদা খঙদোক্কুনা মীৎয়েং চঙহৌবগী মথৌ তারে হায়খি।

মরম অসিনা বেনিফিসরিশিং, ইন্সটিট্যুসনশিং অমসুং ভিলেজ হেল্থ সেনিটেসনচিংবশিংগী মনুংদা এনেমিয়াগী মতাংদা এৱ্যেরনেসশিং পীবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি। মসিগীদমক সোসল ৱেলফ্যের অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা খূৎশম্নদুনা মীওইবগী হকচাংদা আইরন ৱাৎপগী খূদোংচাদবশিংগী মতাংদা মীপূম তিংনা খঙহন্নবা থবক লৌখৎলসি হায়খি।

লোইশঙ অনী অসিনা হিলস দিপার্টমেন্টকা খূৎশম্নদুনা ন্যুট্রিসনেল দিফিসিএন্সিশিং চ্যেক তৌথোক্কদবনি হায়খি।

ঐখোয় পূম্নমক্না এনেমিয়া মায়োক্নবা ওইরবসু নৎত্রগা অতোপ্পা লায়না অমা মায়োক্ন রবসু শুপ্নতগী কা অমগী মনুংদা খক্তা লৈশিন্দুনা মায়োক্নবগী থবক তৌরগুমসি। মসিগী মহুৎতা হৌরকপদগী হৌনা মীপূম খূদিংমক্না মায়োক্নরিবা লায়নাশিং অদুগী মরী লৈনবা হীদাক-লাংথকশিং চাবা অমসুং থকপগা লোয়নননা লায়না অসিগীদমক কান্নবা ফংহন্নীংলিবা বেনিফিসরিশিংদা মথৌ তাবা হীদাকশিং ফংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি ভুমলুনমাং ভুৱালনম, সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তম, হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. খোইরোম শশিকুমার মঙাং অমসুং ষ্টেট হেল্থ মিসনগী দিরেক্টর ডা. সোমোজিৎ নিংঙোম্বমনা মথংশিংনা থৌরমগী ময়াই তাংবল অমসুং ইকাই খুম্নরবা মীথুংলেনশিং ওইখি। লোয়নননা থৌরম অসিদা মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী কোলেজ ওফ নর্সিংগী ষ্টাফ অমসুং মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

# ত্রিপুরা অসি ঐগী অনীশুবা য়ুমনি: সিএম মমতা বেনর্জি

অগরটালা, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী):
থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা মীখলগা মরী লৈননা লাকখিবা ত্রিনামুল কংগ্রেসকী চীফ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা অগরটালাগী এম বি বি এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা পাউমীশিংগী মমাঙদা বেনর্জিনা ফোঙদোকখিবদা ৱেষ্ট বেঙ্গল অসি ঐগী অহানবা য়ুম ওইরবদি ত্রিপুরা অসি ঐগী অনীশুবা য়ুমনি হায়খি।



মহাক্না মখা তারদুনা ত্রিপুরাগী মীয়াম্না বিজেপিনা ওৎপী নৈবীরবা মতমদা মখোয়গীদমক ত্রিনামুল কংগ্রেসনা লেপ্পুনা লৈখি। বি জে পিগী থৌমীশিংনা ঐখোয়গী এম পি সুস্মিতা দেব, কাকালি দষ্টিদর, অভিসেক বেনর্জি, দোলা সেন অমদি অতৈ কয়াগী গাড়ীশিং অকায় অতোই থোকহনখি। কংগ্রেসনা অহানবা লৈঙাক পায়রবা মতমদা এমপি সন্তোসমোহন দেব, মনোরঞ্জন বাক্রাগা পুন্না থবক তৌমিন্নখি। ঐনা ত্রিপুরাগা নক্নুনা য়ুম মক্নি খন্না থবক তৌদুনা লাকখি হায়খি।

ত্রিপুরা অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গল অনী অসি মতম শাংনদগী নক্নবা মরী থম্নদুনা লাকপনি। ঐগী ওইনা ত্রিপুরা অসি অনৌবা নত্তে। মফম অসি ঐগী য়ুমগুম্বনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী চীফকী ত্রিপুরা খোঙচৎকী মনুং চন্না গোম্মতি দিষ্ট্রিক্টকী উদয়পুরদা লৈবা ত্রিপুরা সুন্দরি টেম্পলদা চত্তুনা লাই খুরুমখি।

বেনর্জি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অগরতালাদা ইলেক্সন রেল্লিদসু ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

# রঞ্জিৎ বোরাগী মীহাৎকা মরী লৈননা অনী ফারে

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী):
পুরাবি দাইরি দিষ্ট্রিব্যুটর রঞ্জিৎ বোরাগী মীহাৎকা মরী লৈননা চেন্নবা মীওই অনী গুৱাহাটি পুলিসনা ফারে।

থৌদোক অদু ২০২২ গী নবেম্বর ২১ গী নুংথিল পোবোপ্তা বাইকতা লাকপা মীওই অনীনা বোরাবু নোংমৈনা কাপ্পল্লবা মতুং মহাক্কী শেল য়াওবা ব্রিফ কেস পুদুনা চেনখিবনি। পুলিসনা থা কয়া চঙনা থিজিল্লবা মতুং চেন্নবা মীওই অনী অদু ফাবা ঙমখিবনি।

ফারবা মীওই অনী অদুদি হাজোদগী সাহ অলোম টালুকদার অমদি সটগাউদগী সুজাল অলিনি। মখোয় অনী অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী ফাবনি। মখোয় অনীবু মখা তানা ৱাহং পাউহং তৌবদা অমনা হায়দোরকপগী মতুং ইন্না মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মীওই অনী অমসু ফোঙদোরকখি।

মীওই অনী অদুদি হান্না পুলিসকী ইনফোর্মর ওইরম্বা অমির অলি অমদি মহাক্কা লোয়নবা চিন্তু মেহদিনি। মখোয় অনীমক মোরিগাউ দিষ্ট্রিক্টতগীনি।

পুলিসনা মখা তানা ৱাহং পাউহং তৌবদা রঞ্জিৎ মীহাৎতা শীজিন্নখিবা মোটোর সাইকল অদু সিটিগী গোদাউন অমদা লোত্তুনা থল্লম্বদগী ফাগৎপা ঙম্লে হায়না পুলিসকী ছোর্স অদুনা মখা তারি। মফম অদুদগী ক্রাইম অদুদা শীজিন্নখিবা পিষ্টোলগা লোয়নননা কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অহুমসু ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

পুলিসকী ছোর্স অদুনা মখা তারদুনা অমির অলি হায়রিবা মীওই অনী অসি রোবরি অমদি বেট্টরি হুরানবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেসশিংদা চেন্নবা মীওইনি।

মহাক হৌজিক হৌজিক মেম্বর তরাদগীনা ১৫ ফাওবা লৈবা গেঙ অমা সিটি অসিদা ওপরেট তৌদুনা লৈরি।

মখোয়বু পুলিসনা ফানবা থীবা হুম্বগী থবক চথরি অমদি মখোয়গী লৈফম তাকপা ঙম্বদা লূপা লাক্ষ অনীগী কেস রিৱার্দসু লাউথোকখ্রে।

# মিজোরাম বোর্দরগী মনাক্তা লৈবা ম্যান্মার আর্মি পোষ্টতা খূৎলায় পায়বা মীয়াম্না এটেক চথখ্রে

আইজোল, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী):
চিন নেসনেল আর্মি (সি এন এ) না লুচিংবা চিনলেন্দ দিফেন্স ফোর্স (সি দি এফ) কৌবা আর্মদ সিভিলিয়ন গ্রুপ অমনা ম্যান্মার আর্মিগী মথক্তা এটেক চথখ্রে।

থৌদোক অসি থা অসিগী ৩ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা মতমদা ইন্দিয়াগী ঙমখৈগা থংননা লৈবা থাংলাং ভিলেজতা সি এন এ অমদি সি দি এফকী কাদরশিংনা দ্রোন শীজিন্নদুনা ০৩এক্স বোম থাদদুনা এটেক অসি চথখিবনি হায়না ছোর্সনা অমনা হায়রি। থাংলাং অসি ম্যান্মার আর্মিগী কম্পেনিগী লৈফম্নি। থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশোক অপনগী রিপোর্ট অমত্তা ফঙবা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২ দগী চিন ষ্টেটকী টাউন তরেৎতা মার্সিএল লো চল্লাইবা হৌখ্রবনি। মার্সিএল লো চল্লাইরবসু সি এন এ অমদি সি দি এফনা ম্যান্মার আর্মিগী মথক্তা মখোয়গী এটেক অদু চথখিবনি।

এটেক মফম অদু ম্যান্মার বোর্দরদগী য়াম্না নক্না লৈবনা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটিদসু চরাংনবা অমা ওইহল্লে। থৌদোক অদু মতৌ করম্না টেক্নোলোজিশিং শীজিন্নদুনা চথখিবনো হায়বা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদসু অঙকপা অমা ফাওহল্লি।

ওফিসল অমনা ফোঙদোক্লদুনা তোঙান তোঙানবা ইথনিক গ্রুপশিংনা ম্যান্মার আর্মিগী মথক্তা এরিএল দ্রোন শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা এটেক কয়া চথরি হায়রি।

# শেঙ্গা-থুমজা তৌরম্বগীদমক সী বি আইনা রেলৱেগী এঞ্জিনীয়র ২ ফারে

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ০৬ (এজেন্সী):
লুপা লাখ ৮ লোমগী শেঙ্গা-থুমজা তৌরম্মী হায়বগী মতাংদা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা প্রাইভেট কম্পেনি অমগী কন্ট্রেক্টর অমগা লোয়নননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে (এন এফ আর)গী দেপ্যুটি চীফ এঞ্জিনীয়র অমা অমসুং সিনিয়র সেক্সন এঞ্জিনীয়র (এস এস ঈ) অমা ফারে হায়রি।

মখোয় অহুমবু সী বি আইগী মায়কৈদগী নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেগী ওফিসল ৪ অমসুং অতোপ্পা মীওই খরগী মথক্তা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাবনি হায়রি।

কেস অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মনুংদা প্রাইভেট কম্পেনি অমগী কন্ট্রেক্টর অসি য়াওবগা লোয়নননা মহাক্কী শিন্মী খরসু চেন্নে হায়রি।

সী বি আইনা ফারবা সিনিয়র সেক্সন এঞ্জিনীয়র অদুগী মমিং সন্তোশ কুমার কৌই। মহাক জিরিবামগী নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেদা থবক তৌবনি হায়রি। মহাক্না প্রাইভেট কম্পেনি অমগী মীওইশিংদগী লুপা লাখ ৮গী শেনফম শেঙ্গা-থুমজা তৌদুনা লৌশিল্লিঙৈগী চৈরক্তা মহাকপু সী বি আইগী ওফিসলশিংনা ফাগৎখিবনি।

মহাকপু ফাগৎলবা মতুংদা সী বি আইনা রেলৱে অসিগী অসাম-ইম্ফাল-দেল্লী-বিহার অমসুং হরয়ানাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফম ১৯দসু রেইদ চথদুনা থিবা-হুম্বগী থবক চথখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা সী বি আইনা করপসনগী মায়োক্তা চথরক্লিবা থবকশিংগী মনুংদা লুপা ক্রোর ১.০২গী শেনফমশিং ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

কেস অসিগা মরী লৈননা ফারবা মীওই অহুম্মক হয়েং মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লগনি হায়রি।



রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎখিবা ভারত জোরো যাত্রদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী মীওই অনীবু কোংগ্রেস ভৱনদা তরাম্না ওকখিবা

## CROSSWORD-3781



### ACROSS
1. Formerly(4)
3. Deathless(8)
9. Three-pronged spear(7)
10. Cast, shed(5)
11. Prohibited(5)
12. Stableman(6)
14. Not readily noticeable(13)
17. Language of the Middle East (6)
19. Take forcibly(5)
22. Electronic communicationl (1-4)
23. Without assistance(7)
24. Young person(8)
25. Slender rod(4)

### DOWN
1. Go far ahead of(8)
2. An upward slope(5)
4. Movie(6,7)
5. Group of eight performers(5)
6. Underwater projectile(7)
7. Grassed area(4)
8. Fame(6)
13. Moved up(8)
15. Slaughter(7)
16. Free-and-easy(6)
18. Strong very light wood(5)
20. Asian country(5)
21. Period of fasting before Easter (4)

Solution 3780



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-5079

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 3 | | | | | | | |
| 1 | | | | 8 | 6 | | 4 | 7 |
| 7 | | 5 | | | 3 | | 6 | |
| | 6 | | | 2 | 1 | 4 | | 9 |
| | | | | | | | | |
| 9 | | 3 | 7 | 6 | | | 8 | |
| | 1 | | 9 | | | 7 | | 6 |
| 2 | 7 | | 6 | 4 | | | | 8 |
| | | | | | | | 9 | |

### Solution-5078

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 9 | 7 | 8 | 2 | 4 | 3 | 6 | 1 |
| 6 | 2 | 3 | 7 | 1 | 5 | 9 | 4 | 8 |
| 4 | 1 | 8 | 9 | 6 | 3 | 5 | 7 | 2 |
| 2 | 6 | 4 | 3 | 5 | 7 | 1 | 8 | 9 |
| 3 | 8 | 1 | 2 | 4 | 9 | 7 | 5 | 6 |
| 7 | 5 | 9 | 1 | 8 | 6 | 4 | 2 | 3 |
| 1 | 3 | 2 | 4 | 7 | 8 | 6 | 9 | 5 |
| 9 | 7 | 6 | 5 | 3 | 2 | 8 | 1 | 4 |
| 8 | 4 | 5 | 6 | 9 | 1 | 2 | 3 | 7 |

## /EMPLOYMENT NEWS

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR MEDICAL SOCIAL WORKER, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Job Location:
Post Office Box # 105, Dibrugarh, 786001 Assam
Last Date: 14 February 2023
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 6 Posts
Company Regional Medical Research Centre, NE Region
Job Role Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Education Requirement B.Sc
Total Vacancy 6 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 3 years
Salary 15800 - 32000(Per Month)
Posted on 23 Jan, 2023
Last Date To Apply 14-02-2023
Educational Qualification: B.Sc
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 15800 - 32000(Per Month)
Age Limit: Maximum 30 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates must apply for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Regional Medical Research Centre North Eastern Region rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR SCIENTIST-C, TECHNICIAN-C, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Scientist-C, Technician C, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Scientist C, Technician C, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Scientist-C, Technician-C, More Vacancies
Total Vacancy 3 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 4 years
Salary 20000 - 67700(Per Month)
Educational Qualification: MBBS
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 20000 - 67700(Per Month)
Age Limit: Maximum 40 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates who are applying for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, must apply before the last date. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure as given below.
Step 1: Visit the official website rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Read all the details given on the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application on the official notification and apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023.
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং :
হিয়াং অপাইবী

ইবা অমসুং য়েকপা :
সমসন সলাম

